# ব্রোজেন্না মেন'স ওপনগী, বন্তিনা লেদিজ সিঙ্গলসকী ষ্টেট ওপন টেনিসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ ঃ
মণিপুর টেনিস এসোসিএশনগী থৌশিল মখাদা থা অসিগী ৫ দগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লবকী দেকো টর্ফ টেনিস কোর্টতা চথুরকখিবা ৩৫ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেন'স ওপনগী ফাইনেলদা টি ব্রোজেন অমদি লেদিস সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা বন্তিনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতাশান্নখিবা মেন'স ওপনগী ফাইনেলদা টি ব্রোজেন্না টি ঐচ রিবাকেসপু সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা বন্তিনা চার্মিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপামচাগী অন্দর-১৪ গী ফাইনেল মেচতা রাহুল পামৈনা ঐচ বুশনবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ব্রোজেন অমদি রিভাস্করগী জুরানা বেক্টর অমদি বোনাগী জুরাবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

চহী ৪৫ মথক্কী ভেটরান দবলসতা তুলেশ্বর অমদি কংজাম্বগী জুরানা এন দিলিপ অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরাবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেকেন্দ দিভিজন লীগতা বি এস য়ুনা টি ৱাই দল্লিয়ু ওবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী থৌশিল মখাদা পোইরৌখোংজিনগী থম্বালনু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা টিম ৯ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ঙাংবম বোইবোই মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস য়ুনা টি ৱাই দল্লিয়ু ওবু ৭-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা য়ু দি ও অমদি পি ৱাই পি সিনা ৩-৩ দা, অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সি অমদি এস এ সিনা ২-২ অমদি মরিশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ য়ু সি অমদি সি এস সিনা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

লীগ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা য়ু দি ও অমদি পি ৱাই পি সি অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা য়ু দি ওগী গোলশিং অদু এল বেনসন্না মেচকী মিনিট ১৫ চৎপদা, বিশ্বরজিৎনা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপদা অমদি এন জি দেক্সন্না মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

পি ৱাই পি সিগী গোলশিং অদুনা তাণ্ডবনা মেচকী মিনিট ১১, বিজুনা মেচকী মিনিট ১৩ অমদি কিষন্না মেচকী মিনিট ২৮ চৎপাম তমদা গোল অমমম চনখি।

য়ু দি ওগী রোহিট আলিনা মেচকী মিনিট ৪৩ অমদি ৱাই সুরজনা মেচকী মিনিট ৫১ অমসুং পি ৱাই পি সিগী বিজুনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক বুক তৌখি।

লীগ অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা টি ৱাই দল্লিয়ু ও অমদি বি এস য়ু অনীনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা বি এস য়ুনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। বি এস য়ুগী গোলশিং অদু সুনিলনা মেচকী মিনিট ৪ অমদি ২৮ চৎপদা গোল অনী, সালমোন্না মেচকী মিনিট ১৮, ৩৭ অমদি ৫৫ চৎপা মতমদা গোল অহুম, বিলালনা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা গোল অমা অমদি ইনাওনা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা মায় পাকখি। বি এস য়ুগী টারিফপু মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সি অমদি এস এস সি অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না অমনা অমদা হেনজিন্নবা ঙমদনা চাং মান্ননা শান্নরকখি।

ৱাই দল্লিয়ু সিগী গোল অদু এস চরন্না মেচকী মিনিট ৪ অমদি এস সঞ্জয়না মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

এস এস সিগী গোলশিং অদুনা গিৎচন্দ্রনা মেচকী মিনিট ২১ অমদি ৱাই রোমোনা মেচকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

লীগ অসিগী অরোইবা অমদি মরিশুবা মেচতা এফ য়ু সি অমদি সি এস সি অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি।

মেচ অদুদা এফ য়ু সিগী সুরেস সোঙ্গুননা মেচকী মিনিট ২৫ অমদি এস সুরচন্দ্রনা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

সি এস সিগী গোল অদুনা জোন গাংতেনা মেচকী মিনিট ১৮ অমদি মমাঙনা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। এফ য়ু সিগী প্রেমচান্দবু মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

# বিষ্ণুপুর সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা মমাং থাগী ২১ দগী টিম তরানা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ১১ শুবা এল বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা সেবানা ৱাই এ সিবু ৩-১ দা, অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এম পি টু ৱাই এনা টি ৱাই এ এফ সিবু ৫-০ দা অমদি অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা থাস্কোনা ক্রেসাবু ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা সেবা অমদি ৱাই এ সি অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না অমনা অমবু হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নরকখিবা মেচ অদুদা সেবাগী প্লেয়র এম কিরন্না মেচকী মিনিট ২২ অমদি ৫৮ চৎপা মতমদা গোল অনী অমদি ধনজিৎনা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা টিমবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

মায়থীহৌরবা ৱাই এ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এলেন্না মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এম পি টু ৱাই এ অমদি টি ৱাই এ এফ সি অনীনা শান্নরকখি। এম পি টু ৱাই এনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম প্লেয়র রোবিনসন্না মেচকী মিনিট ১৩, ৪৪ অমদি ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অহুম চনখি। অদুগা গোপেশ্বরনা মেচকী মিনিট ৫১ অমদি বিদ্যাসাগরনা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমমম চন্দুনা টিমবু মায় পাকহনখি। টি ৱাই এ এফ সিদি গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা থাস্কো অমদি ক্রেসা অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীগী পূক্নিং হুরবা মেচ অদুদা থাস্কোনা মতিং লৈনা শান্নরকখিবনা মেচকী মিনিট অহুম চৎপা মতমদা বোইনাওনা গোল অমা চন্দুনা টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মখা তানা থাস্কোনা তৌখিবা এটেক্তা জেমসনা মেচকী মিনিট ৭, দিঙ্কুনা মেচকী মিনিট ১০ অমদি সুরজিৎনা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা গোল অমমম চন্দুনা টিমবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

ক্রেসাগী গোল অদুনা রোবিন্দ্রোনা মেচকী মিনিট ২৬ অমদি সরতচন্দ্রনা মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা গোল অমমম চন্দুনা ২-৪ দা মায়থীহৌখি।

# ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং মীটতা ত্রিবেনি পব্লিক স্কুলনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ ঃ
মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী ককৱা কম্যুনিতি হোলদা চথুরকখিবা অহানবা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং মীট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ত্রিবেনি পব্লিক স্কুলনা অপূনবা পোইন্ট ৫০ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা পোইন্ট ৩২ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা সোসিএল ৱার্কর ও রোমেননা চীফ গেষ্ট অমসুং মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এল সরতনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংগী কম্পিটিসনগী মনুং চন্না নুপামচাগী কেজি ৫০ মথক্কীদা ত্রিবেনি পব্লিক স্কুল লিলোংগী সগোলশেম লাঙম্বনা ফার্ষ্ট, ৱাঙ্খেই হায়স্কুলগী এম দি ৱাজিদনা সেকেন্দ অমদি ত্রিবেনি পব্লিক স্কুল লিলোংগী কোইজম রিসিকান্তনা থার্দ তাখি।

নুপামচাগী কেজি ৫০ গীদা ত্রিনিটি পব্লিক স্কুলগী টি সনায়াইনা ফার্ষ্ট, ত্রিবেনি পব্লিক স্কুলগী এস গ্রেটসন্না সেকেন্দ অমসুং ৱাংখৈ হায় স্কুলগী টি ঐচ নরেসকুমারনা থার্দ তাখি।

নুপামচাগী কেজি ৪৫ গীদা রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী এম জোন্না ফার্ষ্ট, মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কোথিং ইনবুংনা সেকেন্দ অমদি ৱাংখৈ হায় স্কুলগী এম দি ইরদাস আলিনা থার্দ তাখি।

নুপামচাগী কেজি ৪০ গীদা সুরজ ইংলিস একাদেমিগী কে ইরাৱন্তনা অহানবা, নোংপোক মহৈকোলগী টি ঐচ সন্তোসনা অনীশুবা অমসুং ৱাংখৈ হায় স্কুলগী এম জেক্সন মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচাগী কেজি ৩৪ গী কাঙলুপ্তা নোংপোক মহৈকোলগী টি ঐচ মনিস্নানা অহানবা, কদম্বা মহৈকোলগী কে এস ঐচ মালেমঙানবা মৈতৈনা অনীশুবা অমসুং রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ৱাই রোহিটনা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচাগী কেজি ৩০ গী কাঙলুপ্তা দ উশুস স্কুলগী দিক্সন তোইজম্না অহানবা, সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী টি ঐচ সুকুমারনা অনীশুবা অমসুং সেন্ট জোসেফ স্কুলগী বিবেকানন্দ তোইজম্না অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগী কেজি ৪৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা ত্রিবেনি পব্লিক স্কুলগী এস তনুনা অহানবা, স্কুল অসিমক্কী ও সোনিয়ানা অনীশুবা অমসুং স্কুল অসিমক্কী এ সুবানিনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগী কেজি ৪৫ গী কাঙলুপ্তা ত্রিবেনি পব্লিক স্কুলগী এম অঞ্জিতানা অহানবা, সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী টি ঐচ নিকিতাসানা অনীশুবা অমসুং টাইনিটোট য়ুনিক স্কুলগী কে এস ঐচ লময়ানবী চনুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীমচাগী কেজি ২৫ গী কাঙলুপ্তা সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী থৌদাম কোনিকানা অহানবা অমদি স্কুল অসিমক্কী টি ঐচ সঞ্জিতানা অনীশুবা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা স্কুলশিংদা থৌরমগী চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্টনা মনা মথুমশিং য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী স্কুল ২৩ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৭ তগী চথুরকখিবনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সেকেন্দ দিভিজন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী থৌশিল মখাদা ৱাই দল্লিয়ু সি মালোমগী প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু পি সি অমদি পময়াল অনীনা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

য়ু পি সি অমদি পময়াল অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীমক অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎখি।

মেচ অদুদা য়ু পি সিগী পাস্কেলবু মেচকী মিনিট ১২ চৎপা মতমদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি। অদুগা পময়ালগী ৱাই রোবিনসননা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা অমদি এ সুরঞ্জয়না মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

মেচ অদু কে ঐচ রঞ্জিৎ, এস ওনিল, টি ঐচ রঘু অমদি টি ঐচ রোবিন্না মথংশিংনা সেন্তর রেফ্রি এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াখি।

# মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টদা বাখেনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইরেংবন্দা চথুরকখিবা ১৫ শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা বাখে লম্ফেল সনা কৈথেলনা এন ৱাই ভি এ এবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।


টুর্নামেন্ট অদুদা বাখে অমদি এন ৱাই ভি এ এ অনীনা মায় পাক্নবগীদমক হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা বাখেনা এন ৱাই ভি এ এবু ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৯, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।


ফাইনেল মেচ অদুদা বাখেগী প্লেয়রশিংনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইরবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা এন ৱাই ভি এ এবু নমহৎতুনা মায় পাকখি।










Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com